# ব্লেক সিদা লৈবা রসিয়ন ফ্লিটকী মিসাইল ক্রুজর মোস্কভা লূপখ্রে রসিয়ন ক্রুজর অসিদা ন্যুক্লিয়র ৱারহেদশিং য়াওরম্বা য়াই: কিভ



মোস্কো, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সী): ব্লেক সিদা লৈবা রসিয়ন ফ্লিটকী ফ্লেগশিপ মিসাইল ক্রুজর মোস্কভা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ মরক্তা পোর্টতা পুশিন্নবা হোৎনরিঙৈদা লূপখ্রে হায়না রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

রসিয়ন মিলিটরিগী মতুং ইন্না ৱারশিপ অদুগী হল য়ুমশকৈশ নুমিত্তা এম্যুনিসন পোকখায়রকপগী থৌদোক অমদা অমাঙ অতা থোকখি। পোকখায়বগী থৌদোক অদুমক ভেসেল অদুদা মৈ চাক্লকপদগী থোকখিবনি।

অমরোমদা, য়ুক্রেনগী ওফিসিএলশিংনদি মখোয়গী ফোর্সশিংনা এন্টি-শিপ মিসাইলশিং শীজিন্নবা ভেসেল অদুদা ষ্ট্রাইক তৌখি হায়না ক্লেম তৌখ্রে। পেন টাগোন্না ক্লেম অদু কনফার্ম তৌবা ঙমদে হায়না ফোঙদোরক্লি।

য়ুএসকী দ্রোন অমা শগোলশেল নুমিত্তা ক্রুজর অদুগী মথক্তা কোইরে লৈরগা পায়দুনা লৈখি হায়না আরটিগী রিপোর্টনা হায়রি।

রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হায়, মৈ চাক্লকপদগী এম্যুনিসন পোয়খায়রক্তুনা হলদা অমাঙ অতা থোক্লকখিবগা লোয়ননা পোর্ট তন্না চিংশিল্লিবা ক্রুজর মোস্কভা ঈশিংদা লূপ্লকখি।

অকনবা নোংলৈ নুংশিৎকী ফিভম মরক্তা জহাজ অদু ঈশিংদা লূপ্লকপনি হায়না রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।

রসিয়ন মিলিটরিগী মতুংইন্না ক্রুজর অদু য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ওদেশাগী খারোমদা কিলোমিটর ৯০ লোম লাপ্লা লৈরিঙৈদা মৈ চাকপগী থৌদোক অদু থোক্লকখিবনি। মসিনা ভেসেল অদুদা য়াওরিবা এম্যুনিসন ষ্টোরশিং পোকখায়হনখি অমসুং মদুনা হল অদু অমাঙ অতা থোকহনখি।

ভেসেল অদুগী ক্রু মেম্বরশিং অনকপদা লৈরিবা ব্লেকসি ফ্লিটকী জহাজশিংনা কনখি অমসুং মোস্কভাবু শেম শানবা ক্রেমিয়া তন্না পুননবগীদমক টগশিং থাখি। শগোলশেল নুমিৎকী অয়ুক ফাওবদা মোস্কোগী মায়কৈদগী পোকখায়বগী থৌদোকশিং অদু লেপখিবগা লোয়ননা মৈ চাক্লিবদু মুথৎপা ঙম্লে হায়না ফোঙদোরকখি। ক্রুজর অদু শেম শানবগীদমক পোর্ট তন্না পুরি হায়খি।

অমরোমদা, ঈশিংদা লূপ্লা হৌরকখিবা মোস্কভা কৌবা রসিয়ন ক্রুজর অদুদা ন্যুক্লিয়র ৱারহেদ অনী য়াওরম্বা য়াই হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা য়ুক্রেনিয়ন এক্সপার্টশিং পল্লদুনা হায়রি।

ব্লেকসি ইন্সটিট্যুট ফোর ষ্ট্রেটেজিক ষ্টদিজকী প্রোজেক্ট মেনেজর এন্দ্রিল ক্লিমেনকোনা হায়খি, মদুদি এক্সপার্টশিংগী মতুং ইন্না মোস্কভা হায়রিবা রসিয়ন ক্রুজর অদুদা ক্রুজ মিসাইলশিংগী ন্যুক্লিয়র ৱারহেদ অনী য়াওরম্বা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈ। জহাজ অসি ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিংগী করিয়র অমনি।

ৱারহেদশিং অসি কদায়দা লৈখ্রবগে হায়বসি হংবা য়াবা মরু ওইবা ৱাহংনি। এম্যুনিসন পোকখায়খিবা মতমদুদা ৱারহেদশিং অদু কদায়দা লৈবগে। মেপতা করম্বা পোইন্টদা লৈরিবনো হায়বসি থিদোক্কদবনি। মসি য়ুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিলনা খন্নফম থোকপা ৱাফমনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ব্লেকসিগী মপানদা লৈবা ষ্টেটশিং হায়বদি টর্কি, রোমানিয়া, বলগেরিয়া অমসুং জোর্জিয়ানা হিরম অসিগী মতাংদা থিজিনবদা শরুক য়াফম থোকই।

হৌখিবা এপ্রিল ১৩ গী নুমিদাংদা য়ুক্রেনগী এন্টি-শিপ নেপচ্যুন মিসাইলনা রসিয়াগী ব্লেকসি ফ্লিটতা য়াওবা মিসাইল ক্রুজর অদুদা হিট তৌখি হায়বা রিপোর্ট অমা লাকখিবনি। মদুগী মতুংদা ক্রুজ মিসাইল ১৬ য়াওবা ক্রুজর অদু ফঙ্কসন তৌবা ঙমখিদে।

এপ্রিল ১৪ গী অয়ুক্তা রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ব্লেকসি ফ্লিটকী ফ্লেগশিপ ক্রুজর অদুগী বেগতা মৈ চাক্লকখি হায়বা ৱাফম ফোঙদোরকখি।

তৌইগুম্বসুং মখোয়না শোয়বদগী এম্যুনিসন পোকখায়খি হায়বা ৱাফমদি রিজেক্ট তৌখি। ব্লেকসি কম্মান্দনা থৌদোক অদু রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনদা রিপোট তৌখি হায়না য়ুক্রায়িন্সকা প্রাবদাগী পাউনা হায়রি।

য়ুক্রেনগী মিলিটরি কম্মান দনা এপ্রিল ১৪ গী নুংথিলদা লাউথোকখিবদা য়ুক্রেনিয়ন মিসাইলশিংনা হিট তৌবদগী রসিয়ন ক্রুজর অদু লুপ্পা হৌখি হায়খি।

# নোর্থ ৱাজিরিষ্টানদা মিলিটেন্টশিংনা এম্বুশ তৌবদা পাকিষ্টানগী লান্মী ৮ শিখ্রে



ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সী): নোর্থ ৱাজিরিষ্টানদা মিলিটেন্ট-শিংনা চথুখিবা এটেক্ত অনীদা পাকিষ্টানগী লান্মী নিপান শিখ্রে হায়না দোনগী রিপোর্টনা হায়রি।

নোর্থ ৱাজিরিষ্টান ট্রাইবেল দিষ্ট্রিক্তকী দাটাখেল তহশিলদা থোকখিবা থৌদোক অমদা মিলিটেন টশিংনা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী গাড়ী অমা এম্বুশ তৌবদা লান্মী তরেৎ শিখি। দিষ্ট্রিক্ত অদুগী ঈশম এরিয়াদা থোকখিবা অনীশুবা থৌদোক্তা সেক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং মিলিটেন টশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লবদা লান্মী অমা শিখি।

অহানবা এটেক্ত অদুগী মতাংদা ওফিসিএলশিংনা ফোঙদোরকখিবদা অফঘান বোর্দরগা নক্নবা দটাখেলদা টেরোরিষ্টশিংনা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী অচেনবা গাড়ী অমদা এটেক্ত তৌখি।

এটেক্ত অদুদা মিলিটেন্টশিং অদুনা রোকেট-প্রোপেল গ্রেনেদ লোঞ্চর অমসুং এসোল্ট নোংমৈশিং শীজিন্নখি হায়না ছোর্সশিংনা পল্লদুনা দোনগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

নোর্থ ৱাজিরিষ্টানগী দিষ্ট্রিক্ত হেদ ক্বার্টর্স মিরামসাদা ওফিসিএলশিংনা মিদিয়াদা ফোঙদোকখিবদা এটেক্ত অদুদা লান্মী তরেৎ শিখ্রে।

ছোর্সশিংনা হায়রি, মদুদি মফম অদুদা হৌজিক থী হুম্বগী ওপরেসন অমা চথুরি। রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না সেক্যুরিটি পার্সনেলশিংগী মায়কৈদগীসু মিলিটেন্টশিংদা খুৎ হনখি। তৌইগুম্বসুং মিলিটেন্টশিংগী মায়কৈদা মীশি মীনা থোকখিবগী পাউদি ফঙখিদে।

দোনগী রিপোর্ট মতুং ইন্না আই এস পি আরনা এটেক্ত অদু কনফার্ম তৌরক্ত্রি নত্ত্রগা থৌদোক অদুগী মতাংদা ওফিসিএল ষ্টেটমেন্ট থোরকপা লৈত্রি।

নুমিৎ হুম্নিগী মমাঙদা খা থংবা দিষ্ট্রিক্ত দেরা ইস্মাইল খানদা শাথিরবা এটেক্ত অমা চথুখিবদা পুলিস পার্সনেল মঙা শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা পার্সনেল অহুম অশোক অপন নঙখিবা মতুংদা নোর্থ ৱাজেরিষ্টানগী থৌদোক অসি থোরকপনি।

নোর্থ ৱাজিরিষ্টানগী অতৈ মফমশিংগা মান্নদ্রিবদি দটাখেল অসি টেরোরিষ্ট গ্রুপশিংনা অশোয় অঙাম থোকহন্দনা লৈশিনবা নত্ত্রগা লোৎপা য়াবা মফমনি হায়না লৌনৈ।

হৌজিক ফাওবদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা এরিয়া অদুদা টেরোরিষ্টশিং তকথোকপগী ওপরেসন চথুবা লৈত্রি।

ময়ূম মকৈ থাদোক্লবা ইমুং কয়া মখোয়গী ময়ুমশিংদা হঞ্জিন্দনা লৈরি। শগোলশেল নুমিৎকী এটেক্তশিং অদু থারগা হান্না ফট্টা হায়রম্বা ৱাজিরিষ্টানগী লমদম অদুদা চয়োল অসিগী মনুংদা টেরোরিষ্টশিংনা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা এটেক্ত তৌবগী থৌদোক অহুম শুরে।

# অনৌবা মিলিটরি তেঙবাংগী মতাংদা য়ুক্রেনগী ফোরেন মিনিষ্টর অমসুং য়ুএস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেটনা খন্নখ্রে



কিভ, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সী): য়ুক্রেনদা পীগদবা অনৌবা মিলিটরি তেঙবাংগী মতাংদা য়ুএসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনি ব্লিঙ্কনগা ফোনদা ৱারী শান্নদুনা খন্নখ্রে হায়না য়ুক্রেনগী ফোরেন মিনিষ্টর দমিট্রো কুলেবানা ফোঙদোকখ্রে।

শগোলশেল নুমিৎকী ত্বিট অমদা কুলেবানা হায়খি, মদুদি ঐখোয়না ইনৌ নৌনা ফোনদা শান্নখিবদা য়ুএসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনি ব্লিঙ্কন অমসুং ঐহাক্না য়ুক্রেনদা পীগদৌরিবা মথংগী মিলিটরি তেঙবাংগী পেকেজ খন্নখি।

ৱারী শান্নবা অদুদা য়ুক্রেন অমসুং য়ুএসকী পার্টিশিংনা কনফ্লিক্ত অদুগা মরী লৈননা রসিয়াদা মখা তানা থমগদৌরিবা অথিংবশিংগী মরমদসু খন্নখি।

ৱারী শান্নবা অদুদা য়ুক্রেনিয়ন ফোরেন মিনিষ্টরনা য়ুএসপু য়ুক্রেনদা লেপ্তুনা সপোর্ট পীবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি। শগোলশেল নুমিত্তা য়ুএস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা লাউথোকখিবদা ইষ্টর্ন য়ুক্রেনদা রসিয়ন ফোর্সশিংনা চথরক্লিবা অচৌবা এটেক্তকা মরী লৈননা মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসননা য়ুক্রেনদা দোল্লর মিলিয়ন ৮০০ কী ওইগদবা অহেনবা মিলিটরি মতেং পীরগনি হায়খিবনি।

অমরোমদা, য়ুক্রেনিয়ন রিফ্যুজিশিংবু মতেং পাঙনবগী হ্যুমেনিটরিয়ন মিশন অমদা পোলেন্দদা কনাদিয়ন আর্ম ফোর্সেস (সিএএফ) কী পার্সনেল ১৫০ ফাওবা দিপ্লোই তৌরগনি হায়না কানাদাগী মিনিষ্টর ওফ নেসনেল দিফেন্স অনিতা অনন্দনা লাউথোকখ্রে।

শগোলশেল নুমিত্তা অনন্দনা হায়খি, মদুদি লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা সিএএফকী পার্সনেল ১০০ রোম দিপ্লোই তৌদুনা পোলেন্দগী মফম কয়াদা পোলিস টেরিটোরিএল দিফেন্স ফোর্সনা ওপরেট তৌরিবা রিসেপ্সন সেন্টরশিংদা মতেং পাংলগনি।

সেন্টরশিং অসিনা পোলেন্দ অমসুং য়ুরোপকী মফম কয়াদা য়ুক্রেনিয়ন রিফ্যুজিশিংনা চঙজফম লৌনবা হোৎনরিবশিং কোওর্দিনেট তৌরি।

সিএএফনা য়ুক্রেনিয়ন লোন ঙাঙবা সিএএফ পার্সনেলশিংগী মতেংগা লোয়ননা সেন্টরশিং অদুদা সপোর্ট, লিমিটেদ মেদিকেল ক্যের, মেন্টেল হেল্‌থ সপোর্ট অমসুং স্পিরিচুয়েল সার্ভিসশিং পীগনি।

# য়ুক্রেন কনফ্লিক্টনা ফুদ মার্কেটশিংদা শোকহল্লিঙৈ মরক্তা য়ুএননা লৈবাক ৭কী ফন্দশিং রিলিজ তৌখ্রে

য়ুনাইটেদ নেসন্স, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সী): য়ুক্রেনগী লাননা চিঞ্জাক্কী কৈথেলশিংদা চৈথেং চাওনা পীরিবসি হন্থহন্নবগীদমক্তা য়ুএননা চাবা ফঙদবগী ফিভম লৈরক্লবা অফ্রিকাগী লৈবাক তরুক অমসুং য়েমেনগীদমক্তা দোল্লর মিলিয়ন ১০০ গী শেনফম রিলিজ তৌখ্রে।

সেন্ট্রেল ইর্মাজেন্সি রেস্পোন্স ফন্দ (সি ই আর এফ) কী ফন্দশিং অদুনা য়ুএন এজেন্সিশিং অমসুং পার্টনরশিংবু সোমালিয়া, ইথিওপিয়া, কেনিয়া, সুদান, সাউথ সুদান, নাইজেরিয়া অমদি য়েমেনদা য়াম্না মরু ওইরিবা চান থক্নবা পোৎলমশিং, শেল অমসুং ন্যুত্রিস্নেল সপোর্ট ফঙহনবদা শীজিন্নগনি হায়না শগোলশেল নুমিত্তা ওফিস ওফ দি কোওর্দিনেসন ওফ হ্যুমেনিটরিয়ান এফিয়র্স (ওসিঐচএ) না ফোঙদোকখি।

প্রোজেক্টশিং অদু ক্রাইসিস মায়োক্নরিবা নুপীশিং অমসুং নুপীমচাশিংগী মতেং পাঙবদসু শীজিন্নগনি। মতেং পীগদৌরিবা লৈবাক তরেৎ অসি আর্মদ কনফ্লিক্ট, ঈকংগী ফিভম অমসুং শেল থুমগী অৱাবা কয়ানা মরম ওইদুনা ফুদ ইনসিক্যুরিটিগী ফিভম অমা লৈরিবনি।

তৌইগুম্বসুং য়ুক্রেনগী লান অসিনা মখোয়গী ফিভম হেন্না লুশিলহনবগা লোয়ননা লমদমশিং অসিগী ফুদ অমসুং ইনর্জি মার্কেটশিংদা চাওনা শোকহনখি। লমদমশিং অসিদা মপানদগী পোৎচৈশিং পুশিল্লকপা তারবসু কঞ্জুমরশিংনা শীজিন্নবা ঙমদে হায়না ওসিঐচএনা ফোঙদোকখি। কুমজা ২০২২ গী মার্চতা ফুদ এন্দ এগ্রিকলচর ওর্গনাইজেসনগী গ্লোবেল ফুদ প্রাইজ ইন্দেক্স অদু কুমজা ১৯৯০ গী মতুংদা খ্বাইদগী ৱাংবা লেভেল ফাওবা য়ৌরকখি।

## এন্টি টেরর ওপরেসনদা অনী শিরে, তরা শোক্লে

বাঘদাদ, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সী): ইরাক্কী অৱাং থংবা প্রো-ভিন্সশিং ওইরিবা কিরকুক অমসুং সলাউদ্দিনদা ইস্লামিক ষ্টেট (আইএস) মিলিটেন্টশিংগী মায়োক্তা চথুখিবা ওপরেসনদা আর্মি ওফিসার অমা অমসুং লান্মী অমা শিখ্রে অমদি অতৈ তরানা অশোক অপন নঙখ্রে হায়না পুলিস ছোর্সনা ফোঙদোরক্লি।

সলাউদ্দিন প্রোভিন্সিএল পুলিসকী কর্নেল মোহম্মদ অল-বাজিনা ফোঙদোরকখিবদা শগোলশেল নুমিত্তা কেপিটেল বাঘদাদতগী অৱাংলোমদা কিলোমিটর ২৫০ রোম লাপ্পা লৈবা কিরকুক্কী ৱাদি অল-সাইদা আর্মি পেট্রোল অমগী মনাক্তা লম্বীগী নাকলদা বোম অমা পোকখায়হন্দুনা এটেক্ত চথুরকখি।

সলাউদ্দিনদা প্রোভিন্সিএল কেপিটেল টিক্রিটকী নোং-পোকলোমদা কিমি ৯০ রোম লাপ্লা লৈবা টুজ-খুরমাটো টাউনগা নক্নবা ভিলেজ অমদা ছার্স ওপরেসন চথুরিঙৈ মনুংদা বোম অমা পোকখায়রকখিবদা লান্মী অমা শিখি অমসুং অতৈ অতোপ্পা তরেৎ শিখি হায়না অল-বাজিনা মখা তাখি।

# ইজরেলনা অনৌবা লেজর-বেজ এয়র দিফেন্স সিষ্টেম মায় পাক্না চাংয়েং তৌখ্রে



জেরুসালেম, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সী): ইজরেলনা দ্রোনশিং, মি-সাইলশিং অমসুং অতৈ নোংথক্কী থ্রেটশিং ইন্টরসেপ তৌবা ঙম্নবগীদমক দিজাইন তৌবা অনৌবা লেজরদা বেজ তৌবা সিষ্টেম অমগী অহানবা চাংয়েং মায় পাক্না পাঙথোকখ্রে হায়না ইজরেলগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

শগোলশেল নুমিত্তা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ষ্টেট অমদা ফোঙ-দোরকখিবদা অহানবা তাঙ্কক্কী চাংয়েং অদুদা সিষ্টেম অদুনা অহানবা ওইনা দ্রোনশিং, মোর্টারশিং, রোকেটশিং অমসুং এন্টি-টেঙ্ক মিসাইলশিং ইন্টরসেপ তৌবা ঙমখি।

প্রোগ্রাম অদুগী পান্দমদি অশানবা অমসুং হাই-ইন্টেন্সিটি থ্রেটশিং দিল তৌবা ঙমগদবা হাই-পৱার গ্রাউন্দ অমসুং এরিয়েল লেজর সিষ্টেম অমা দিভলপ তৌবনি।

এজেন্সিনা ইজরেল্লি দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অদুনা পল্লদুনা হায়, সিষ্টেম অদুগী দিভলপ তৌবগী থবক অদু দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্ট দিভিজন, রাফেল এদভান্স দিফেন্স সিষ্টেমস অমসুং ইলবিট সিষ্টেম হায়বা ইজরেল্লি খুৎলায় অমসুং সেক্যুরিটিগী কম্পেনি অনীনা লুচিংদুনা পাঙথোকখি।

মিনিষ্ট্রি অসিগী মতুং ইন্না চাংয়েংশিং অদুগা লোয়ননা ইজরেল অসি হাই-পৱার লেজর টেক্নোলোজি মায় পাক্না দিভলপ তৌদুনা ওপরেস্নেল ইন্টরসেপ্সন কেপেবিলিটিসকী ওপরেস্নেল ষ্টেন্দর্দ লৈহনবা ঙম্বা মালেমগী অহানবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমা ওইরি।

দিফেন্স মিনিষ্টর ভেনিগান্সনা ট্যুটর পোষ্ট অমদা হায়খি, মদুদি অহানবা ওইনা ঙসি ইজরেলনা শাবা হাই-পৱার লেজর সিষ্টেমনা তোঙান তোঙানবা টার্গেটশিং মায় পাক্না ইন্টরসেপ তৌবা ঙমখি। মসি মালেমগী সেলদা অচৌবা মায় পাকপা অমনি।

ইজরেলগী পান্দমদি ইফিসেন্ট ওইবা, শেল চঙদবা অমসুং অনৌবা মখলগী সিষ্টেম অমা পুথোকপা অমদি মদুবু অথুবা মতমদা ওপরেস্নেল ষ্টেটস লৈহনবা অসিনি।

দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্ট দিভিজনগী মকোক য়ানিব রোটেমনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি লেজর অসিনা ইন্টরসেপ্সন টেক্নোলোজিদা মরু ওইবা অহোংবা অমা লাকহল্লগনি।

মসি ইরায় লায়না ওপরেট তৌবা য়াবা সিষ্টেম অমা ওইবদা নত্তনা শেলসু ইচং চঙদে।

মথঙগী ষ্টেপতি সিষ্টেম অদুবু মখা তানা দিভলপ তৌবা অমদি ইজরেল মনুংদা সিষ্টেম দিপ্লোই তৌবগী থবক পায়খৎপা অসিনি।

মিনিষ্ট্রি অসিনা মথংগী চহী তরামুক্কী মতমদা ইজরেলগী বোর্দর পরিংদা মল্টিপল লেজর ট্রান্সমিটরশিং থম্ননবা থৌরাং তৌরি হায়খি।

মিনিষ্ট্রি অসিনা হায়, লেজর সিষ্টেম অসি ইফেক্তিব ওইবা অমসুং শেলসু চঙদবা লৈবাক অসিগী মরোল কয়া নাইরিবা এয়র দিফেন্স এরেদা হাপচিল্লকপা অমনি।

মরোল কয়াগী এয়র দিফেন্স এরে অসিদা সোর্ট-রেঞ্জ এন্টি-রোকেট আইরন দোম সিষ্টেম, মিদিয়ম টু লোং-রেঞ্জ মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম অমসুং লোং-রেঞ্জ এরো-থ্রি য়াওরি।

SALAI
SMART Society
Under the motto - Disperson of Self - Reliance
Regd. No. 253/SR/IW/2003(M)

Ref. No. EM/SUA/2022/96
Date: 12/04/2022

MEETING RESOLUTIONS
DATED – 8TH APRIL 2022

RESOLUTIONS PASSED BY THE EXECUTIVE MEMBERS OF SMART SOCIETY IN ITS MEETING HELD AT THE OFFICE OF SMART SOCIETY, M.G. AVENUE MPCTC BUILDING IN CONTINUATION OF THE PREVIOUS RESOLUTION DATED 23rd APRIL 2021

The following resolutions were passed in the meeting:

Resolved that the existing managing and development committee of SMART UNIVERSAL ACCADEMY, Sekmaijin Khunou (a subsidiary unit of SMART Society) is dissolved with immediate effect.

2. Resolved that a new *Managing and Development Committee* of SMART UNIVERSAL ACCADEMY is formed. New members of the committee are in Annexture I.

3. Resolved that *Parent & Guardian Committee* is formed with immediate effect. Members of the parents Committe are in Annexture II.

4. Resolved that the newly appointed *Administrative Officer* of SMART Universal Academy, will take charge of the administration of the School and he will directly report to General Secretary, SMART Society.

5. Resolved that General Secretary should present monthly report to the Management and Development Committee SMART Universal accademy.

6. Resolved that *Konthoujam Dhananjoy Singh* is appointed as High School Principal of SMART Universal Accademy.

7. Resolved that *Laishram Hemchandra Singh* will take charge as High School Vice-Principal of SMART Universal Accademy.

8. Further Resolved that Secretary SMART Universal Academy, *Nongmaithem Sanjay Singh* is transferred to Head Office SMART Society as Joint Secretary SMART Society.

(N. BISWAJIT SINGH) Vice-President
(AK. DEEPANAND) Treasurer
(CH. SHYAMSON SINGH) Executive Member
(T. TIKENDRA SINGH) Executive Member
(BROJENDRA YUMLEMBAM) Executive Member
(TOLENJOW SINGHA) Executive Member
(E. BROJENDRO SINGH) General Secretary

HL-P/2072/16

SALAI
SMART Society
Under the motto - Disperson of Self - Reliance
Regd. No. 253/SR/IW/2003(M)

Ref. No. EM/SUA/2022/97
Date: 12/04/2022

OFFICE OF THE SMART SOCIETY
M.G. AVENUE MPCTC BUILDING

TRANSFER & APPOINTMENT ORDER
GS/SMSCT/ORDER/21-22/03
12TH APRIL 2022

It is hereby informed to all Teaching and Non-Teaching Staff of SMART UNIVERSAL ACCADEMY (a subsiadary unit of SMART Society) that *Mr. Nongmaithem Sanjay Singh*, S/O N. Biren Singh, of Sekmaijin Khunou, P.O. Mayang Imphal, P.S. Hiyanglam, has been Transferred to SMART Society Head Office M.G. Avenue & appointed as JOINT SECRETARY SMART SOCIETY. He is directed to report to General Secretary Head office MG Avenue, SMART Society.

N.B. He is not related with the Administration and functions of SMART UNIVERSAL ACCADEMY with immediate effect.

General Secretary
(E. BROJENDRO SINGH)
SMART SOCIETY

HL-P/2072/16

SALAI
SMART Society
Under the motto - Disperson of Self - Reliance
Regd. No. 253/SR/IW/2003(M)

Ref. No. EM/SUA/2022/96
Date: 12/04/2022

ANNEXTURE I

New Management and Development Committee, SMART Universal Accademy, Sekmaijing Khunou

1. Elengbam Bronjendro Singh
2. Narengbam Biswajit Singh
3. Chingtham Shyamson
4. Mayanglambam Tolenjow Singha
5. Brojendra Yumlemban
6. Tourangbam Tikendra Singh
7. Akoijam Deepanand
8. Konthoujam Kiran Singh, Sekmaijin Khunou
9. Konthoujam Somokanta Singh, Sekmaijin Khunou
10. Konthoujam Surjit Singh, Sekmaijin Khunou
11. Konthoujam Tombi Singh, Phoubakchao Bazar
12. Huirem Sanjoy Singh, Phoubakchao Bazar
13. Yengkhom Bitan, Sekmaijin Khunou

HL-P/2072/16